হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ১৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০৫১ শুবা মশীং

# ঈশিংগী থৌশিল শেম্বা

## নোং মরাং কায়না তাবা মণিপুরনা ঈশিংগী ৱাফম থোকপরা ?

*মালেমগী* তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা অঙৈং-অশাগী খল অমসুং নোংজু-নুংশাগী চাং খেন্নবগুম ইন্দিয়াসু ষ্টেট অমগা অতোপ্পা ষ্টেট অমগা নৎত্রগা মফম অমগা মফম অমগগী অঙৈং-অশাগী চাং মান্নদে। লৈবাক অসিগী খা থংবা শরুক্তা শাবগী চাং য়াম্না ৱাংই অমসুং নোংজু থাদা নোং মরায় কায়না তাই। ময়ায় থংবা শরুক্তসু অদুমঙাই, কালেন থাগী মতমদা দিগ্রী সেলসিয়স ৪৪ ফাওবা শাবা য়াওই। অদুমকপু নোংজু থাগী মতমদদি নোং মরায় কায়না তাবতা নত্তনা চাউর-চাউরবা তুরেলশিংগী ঈমায় ৱাংনা চেল্লি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুং চল্লিবা আসামগী মহৌশাগী ওইবা অঙৈং-অশাগী চাংগা অতৈ ষ্টেটশিংগী কেপিটেলদা ফংলিবা অঙৈং-অশাগী চাংগা শাথিনা খেন্নৈ। মণিপুরদদি শাবগী চাং অসি দিগ্রী সেলসিয়স ৩৪/৩৫ না খ্বাইদগী শাবা চাংনি হায়না রেকোর্দ তৌরি। অদুমকপু চাংচত্তা য়েংলবদি শাবগী চাং অসি চহী খুদিংগী ওইনা দিগ্রী সেলসিয়স ৩২/৩৩ দগী হেন্দে। অপুনবা মণিপুরগী ওইনা য়েংবা নত্তবদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদদি কালেনথাদসু অদুমক ঈংই। নোংসু মরাং কায়না তাই। মালেমগী ওইনা নোং খ্বাইদগী চুবা মফম অমা পনবদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটকী মনুং চল্লিবা চেরাপুঞ্জি য়াওরিবনি। অসুম্না নোং মরাং কায়না তাবা মণিপুরগুম্বা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা করিগীদমক্তা ঈকং থাদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরিবনো হায়বসি অঙকপা ৱাহং অমনি। মণিপুরদা চহী চূপ্পা নোং তাদ্রবসু অয়াম্বা মতমদা নোং তাবা মরম্না মীয়াম্না থক্ল-চানবা ঈশিংগী অৱাবা লৈফম থোক্তে। অদুবু হৌজিক মণিপুরদা য়ুমথোঙ ১০০ গী মনুংদা ৬০ হেন্না লৈঙাক্লা থক্লনবা ঈশিং পীবা ঙমদ্রি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা মফমদা ফাওবা টোটি ঈশিং তাদবা য়াওরি। গ্রেটর ইম্ফালগী এরিয়াদসু লাইগী শোয়দনবা, ঈশিং পী হায়বা য়াননবা চয়োল অমগী মনুংদা পুং অমখক টোটি ঈশিং তারি। মসিনা তাক্লিবদি ষ্টেট অসিদা ৱাটর পোলিসী শেমদবদগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লবনি হায়বসিনি।

মণিপুরদসু মতম অমদা ঈশিংগী ৱাথোক লৈরমদে। মীওই অয়াম্বা পুখ্রি, পাৎ-তুরেলনচিংবদগী থক্ল-চানবা ঈশিং শীজিন্নরম্মী। চৎন-লোনচৎ অমা ওইনা লৈকায়গী ওইবা পুখ্রি, য়ুম অমগী ওইনসু পুখ্রি, খোঙবাল নৎত্রগা কোম হায়দুনা তোঙান তোঙানবা ঈশিং য়োকপা মফম কয়ামরুম লৈনরম্মী। মীশিং হেনগৎলকপগী মতুংইন্না হৌজিক্তি ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা লৈকায় অয়াম্বদা পুখ্রি লৈত্রে, খোঙবাল মাঙখ্রে। য়ুমগী শিজিন্নবা কোল-লিক চাম্বা ফাওবা হৌজিক্তি লৈঙাক্লা পীবা টোটি ঈশিং নৎত্রগা শেল তিংনা ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভমসু কা হেন্না হোংলক্লে। নোংজুথাগী মতমদা নোং তাবগী চাং নেমথরক্লে। কালেনথাগী মতমদনা কা হেন্না শাগৎলক্লে। ঈশিং য়োকশিন্দুনা থম্বা য়াবা পাৎ-তুরেলশিং ঙম্নমক ফুনজিনখিবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী থক্ল-চানবগী তঙায়ফদবা ঈশিং লৈঙাক্লা পীরিবা টোটি ঈশিংনা ওইরে। অমরোমদা, টোটি ঈশিংসু অদুমঙাই, নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা নোংমখক, মদুসু পুং ১ দগী হেন্না ঈশিং থাদে। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরি। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবা ৱাফমদি, মণিপুরদা নোং চুরিবসি মেরা থা (ওক্তোবর) ফাওবদনি। মেরা থা হেক লোয়খিবগা নীংথমথা চঙলক্লগনি। নোং চুররোই। অদুবু, মীয়ামগী থক্ল-চাননবা ঈশিংদি নুমিৎ খুদিংগী মথৌ তাবনা ঈশিং তুংশিন্দুনা থমগদবা মফম থিদবা য়াদে। হায়রিবা মফম অসি হৌজিকমক্কী ওইনদি ইম্ফাল তুরেল অমসুং ইরিল তুরেলনা ওইরি। রিজর্বর ওইনা শীজিন্নরিবা তুরেল অনীগী ঈশিং অসি ঐখোয়না কমদৌনা শীজিন্নগদগে হায়বসি য়াম্না কুপ্পা ঈশিংগী থবক তৌরিবশিংনা নৈনগদবনি। রেমোট সেন্সিংগী পাম্বৈ শীজিন্নরগা নোংজু-নুংশাগী ঈ-পাউ তোয়না লৌবা চুমগনি। নোং চুররোই হায়বগী খুদম ফঙলবদি ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেলগী ঈশিং ঈমায় হৌজিক্তগী হৌনা থিংগৎলগা থমসি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্লা হৌজিক্তি অখন্নবা ঈশিংগী থৌশিল অমা শেম্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। ঈশিংগী রিছোর্স খরখকসিনা চহী ৩০ গী মতুংদা মথৌ তারক্কদবা ঈশিং শিজিন্নবা কোন্নগদ্রা হায়বসি হৌজিক্তগী হৌনা ৱাখল খল্লগা ঈশিংগী ওইবা তোখায়বা থৌশিল অমা শেম্বা মথৌ তারকই। নৌনা য়ুম শাবগী অয়াবা লৌহনগদবনি। শাগদৌরিবা য়ুম অদুদা নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা থমহৌবা য়াবা টেঙ্কি শেমহনগদবনি। অসিগুম্বা মওং-মতৌ অসি তৌদবা য়ুম্বুশিংগী মথক্তা চৈরাক পীননবা লো শেমগদবনি। লম্বী-লম্মাংদা কোঞ্জিন পান্দবা পাইপতা ঈশিং অরেম্বদা মাঙহল্লিবসি থিংগদবনি। য়ুমথোঙগী ওইনা ঈশিং কয়া য়াম্না চঙগদগে হায়বু য়েংলগা টেক্স খোম্বগী মওংসু শেমদোক্কদবনি হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## নম্বোল বজার এরিয়াগী লম্বী

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***মণিপুরগী*** ওইনা অনীশুবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ওইরিবা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী বজার এরিয়াগী লম্বী অসি হায়নীংঙাই লৈতনা ফৎত্রে। ময়ায়দা কোয়লাস থারে, মতাইনা ফুট অমা কুৎলে। মতাইদগী কোয়লাসতা কাখৎপদা অৱাবা ওইনরে। মসি ঙসি ঙরাংদগী ওইরকখিবা নত্তে, য়াম্না কুইরবনি। নম্বোল কৈথেলদগী অৱাং হায়গৎপদা ওইরিবা লম্বীগী নাকল অনীগী ফীভম অমুক্তং য়েংবিয়ু। ঐখোয় ময়ামগী খোরি ফাবা চীংমাং অসি নম্বোল সব দিভিজনগী হেদ ক্বার্টরনি। হেদ ক্বার্টর ওইরিবা মফম অসিগী ফীভম য়াম্না মওং তাদনা লৈ। হায়বদি মফম অসিগী লম্বীগী নাকল অনীমক্তা কোয়লাসকী মতাই অনীদু য়াম্না কুৎপা, লম্বীগী নাকল অনীমক্তা নাপী মরাং কায়না হৌবা, লম্বীগী নাকলদা কোমকুৎ য়াম্না লৈবা মরম্না এস দি ও ওফিসতা লাকপা ময়ামগী গাড়ীশিং লম্বী ময়ায়দা খামজিল্লি। মরম অদুনা লাইন বসনচিংবা অচৎ অওকশিংদা অকায়বা পীবতা নত্তনা অশোক অপন য়াওরকপা য়াবগী চাং ৱাংনা লৈ। মসিবু মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবীদবা করিগীনো?

নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসি ৱার্দ ১৮ লৈ। মসি নম্বোল কেন্দ্র অমদি কোন্থৌজম কেন্দ্র অনী পুল্লগা শেম্বনি। হায়রিবা কেন্দ্র অনী অসিগী ওইনা মতম মতমগী ওনরেবল এম এল এ লৈ। ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগীসু মতম মতমগী ওনরেবল কাউন্সিল্লরশিং লৈ। মখোয়সু লোয়না উবিরমগনি। অমুকসু নম্বোল কৈথেলগী মখা থংবা শরুক য়েংলসি। মসিসু ময়ায়দা কোয়লাস থারগা মতাই অনীদনা য়াম্না নেমথনা লৈবনা কোয়লাস মথক কাখৎনবা হোৎনবদা অৱাবা অদুম ওই। লম্বীগী মতাই অনীমক কোমকুৎ য়াম্না মরাং কায়না লৈ, অশোংবা নাপী মোংশোং লৈ। ফোরেন্নর তোয়না চৎপা লম্বী ওইবা মরম্না মখোয়সু উরমগনি। মরম অদুনা মণিপুরগী ওইনা অনীশুবা ওইরিবা নম্বোল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী বজার এরিয়াগী লম্বী অসি শেম্বীনবা ওথোরিটি লৈবিরবদি ফজনা অমুক্তা শেম্বীয়ু হায়না পাউচেগী থোঙদা নোল্লুক্লগা হায়জরি।

*অদোমগী - সগোলশেম সনাজাওবা সিংহ*
*নম্বোল খোরি লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। “বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্না কপ্না লোইখিনি/নুংদা ইবা ঐখোয়না নোক্লা নোক্লা লৈহৌনি।” কবি কনানা হায়বনো?
২। “কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।” পরেংশিংসি ‘মঙদসু তাইবঙদসু’ কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?
৩। “পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।” পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। প্রেমচন্দগী ‘সপ্তসরোজ’ বু মণিপুরীদা ‘থম্বাল তরেৎ’ হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?
৫। নৈন-ৱারেং ‘শৈরেংদসু ৱারেংদসু’ হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং
কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

# ফৌ পাম্বীগী লায়না তীলনা অমসুং ঙাকথোক্নবা উপায়-২

ডা: এম থোইথোই সিংহ

***ব্লাষ্ট (Blast) ঃ***

**লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই ঃ** *Pyricularia oryzae* ফৌদা তাবা লায়নাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শাথিবা অমসুং মালেমগী ফৌ থারিবা মফম খুদিংদা থেংনবা লায়নানি। লায়না অসিনা কুমজা ১৯১৯ দা টামিল নাদুদা য়াম্না শাথিবা চাক তাঙবা অমা থোকহনখিবতা নত্তনা কুমজা ১৯৫৫ দা চিটোর দিষ্ট্রিক্টতা একর ৫,০০০ গী লৌ, পোথোক অমত্তা পুথোক্তনা শা-ষণগীদমক থাবা ওইনা থোকহনখি।

**লায়ওং ঃ** ফৌ পাম্বীগী মথক থংবা শরুক পূম্নমক্তা লায়না অসি তাই। ফৌগী মনা, মতাং, ফৌ চরোংগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং অমসুং ফৌ মরুদা (সীদ) লায়না অসি উবা ফংই। মফম খেন্নবগী মতুং ইন্না ঐখোয়না লায়না অসিবু তোঙান তোঙানবা মমিং থোল্লি। লায়না অসিনা ফৌগী মনাদা তারগদি *লিফ ব্লাষ্ট*, ফৌগী মতাংদা তারগনা *নোড ব্লাষ্ট* অমসুং চরোংগী মঙক্তা তারগনা *নেক ব্লাষ্ট* হায়না খঙনৈ।

ফৌগী মনাদা পীশক পীক্লা চোৎ-চোৎ লাউনা কোহ্লিং মচুগী দাগ মান্না উরম্বদগী মতোন অনী-মক্লা ইতুম তুম্না লৈবা দাগশিংদু অসুম অসুম চাউথোরকই। দাগকী মপান নাপু মচুদা ঙাঙতক তৌনা লৈ ময়ায়দা ঙৌরুননা লৈগনি। ব্লাষ্টনা ফৌগী মতাঙদা তারবদি তারিবা মতোন অদু মুশিন মুনা খামদেকপা থেংনগনি। ফীভমসিদা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিংদু ফৌ মতোন য়ৌনা পুরকপা ঙমদবদগী ফৌ মরু চঙহনবা ঙমদে, ফৌহাম শাৎহল্লি। ফৌ চরোংগী মঙক্তা লায়না অসি লানশিল্লক্লবদি চরোংগী মঙক অদু ইঞ্চি অমরোম শাংনা মুশিন মুনা খামদেকহল্লকই, চরি তৎলবা ফৌ চরোংদু ফৌহাম শাৎহল্লি।

**শন্দোকপগী মওং ঃ** মরু ওইনা নুংশিৎনা লায়নাসি শন্দোকই, মরুনা শন্দোকপগী চাং নেম্মী। চরুখোক অমসুং ঈশিংনসু চাং নেম্না শন্দোকই।

**লায়নাসিনা পাক শন্না শন্দোরকপা য়াবা ফীভমশিং ঃ**

(ক) লৌফমদা নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংবা। (খ) নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং ৱাংবা (রিলেটিব হ্যুমিদিটি চাদা ৯৩ গী মথক্তা লৈবা)। (গ) মতম শাংথনা লিক্লা তাবা (পুং ১০ নৎত্রগা মসিদগী শাংথবা)। (ঘ) নুমিদাংদা দিগ্রী সেলসিয়স ২৬ অমসুং মসিদগী তাথবা। (ঙ) য়াম্না কুপ্না কুপ্না মতম শাংথনা নোং তাবা। (চ) অতিয়াদা নোংনা কুপশিন্দুনা হায়বদি মঙদুনা লৈবা।

মথক্কী ফীভমশিংসিদা কোকফাই শুজা অসিগী মরু (কোনিদিয়া) পুথোকপা, শন্দোকপা অমসুং মতোন থোকহন্দুনা পাম্বীগী সেল মনুংদা চঙলকপা ঙমহল্লি অদুগা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা লায়নাসি মফম শিনবা থুংনা শন্দোকই।

**ঙাকথোক্নবা উপায়শিং ঃ** ১) লায়না অসিবু খরমখৈ ঙাকথোকচবা ঙমজবা ফৌ মখলশিং থানবা হোৎনগনি। (২) নাইট্রোজেন হাপ্পগী চাং হেনগৎপদা লায়না অসি তাবা হেনগৎপগা মরী য়াম্না লৈনবা মরম্না অকক্লবা চাংদা নাইট্রোজেন মচিৎ মচিৎ ওইনা চাং হন্থনা হাপকনি। (৩) অফবা মশক খঙলবা ফৌদিতমক শীজিন্নগনি। (৪) লায়নাগী লায়ওং উৎলবা মফম অমদা, চাংচত্তা মনা অমদা দাগ ৪-৫ গী চাংদা উরবদি মখা তানা কোকফাই শুজা অসিগী মরু শন্দোরক্তনবা হীদাক কাপথোক্কনি। Tricyclazole 75% WP গ্রাম ৭৫, নৎত্রগা Carbendazim 50% WP গ্রাম ৫০০ নৎত্রগা Kasugamycin 3% SL মিলিলিটর ৩০০ গী শঙম অমদা কাপথোক্কনি।


Leaf Blast


Collar Blast


Node Blast


Panicle Blast

**ফৌনা কোহ্লিং কাবী (Brown spot) ঃ**

লায়না থোকহল্লিবা কোকফাই - *Drechslera oryzae* (অনৌবা মমিং), *Helminthosporium oryzae* (অরিবা মমিং)

Perithecial stage : *Cochliobolus miyabeanus.*

কুমজা ১৯৪২ দা লায়না অসিনা ‘বেঙ্গলদা চাক তাঙবা’ থোকহনখি। মতমদুদা পোথোক্কী চাদা ৯০ হন্থহনখি। লৈবাক লৈহাও কয়া ফত্তবা অমসুং চাং কায়না লৈহাও ফংবা মফমদা নাগনবা লায়নানি। লায়না সিবু 'poor man's disease' হায়নসু খঙনৈ। মমাঙঙৈগা য়েংনবদা লায়না অসি তাবা হন্থরক্লি।

**লায়ওং ঃ** মনাদতা নত্তনা ফৌ পাম্বীগী মথক থংবা মফম খুদিংমক হায়বদি পাম্বীনা নৌরিঙৈগী ময়োলবু য়োমশিল্লিবা অহানবা মনা, মনাগী মখোকলোমথংবা শরুক (leaf sheath) অমসুং লৈয়োমনচিংবদসু উবা ফংই। মরুদগী চোংখৎলকপদা ঙাইরিবা নৌরিবা পাম্বীশিংদা নারবদি দাগশিংদু কোনা মচু (ব্রাউন) মানবা অপীকপা কোয়দানবা দাগশিং উগনি। খরা হেঞ্জিন্না নারগনা নৌরিবা পাম্বীদু শি। ফৌ পাম্বীদুনা খরা অমুক চাওখৎখ্রবদি লায়না সিনা ইরায় লায়না হাৎপদি পাক ঙমদে। চাকথেকপা মফমশিংদু অসুম অসুম চাউবা হেনগৎলকপগী মহুত্তা দাগ মশীং ওইনা হেনগৎলক্কনি। ফৌ মরুশিংদসু দাগশিং লৈহল্লি।

**লায়না অসিনা ফৌ পাম্বীবু মাঙহল্লিবা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অহুম ঃ** ১) লায়না অসিনা ফৌদিদা চেন্নরক্তুনা মতোন চোংবগী চাং হন্থহল্লি। মরম অসিনা মণিপুরদা হুনফম থোকপা ফৌদিগী চাংদগী হেন্না হুনবা চৎনৈ। অসুম্না অরেম্বদা ফৌদি কয়া অমা মাঙহল্লি। ২) মনাগী মফম খুদিংদা লায়না অসিনা কাথেকহন্দুনা মনাগী তৌফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দবদগী নৌরিবা পাম্বীশিংবু মশা শোন্থহল্লি। মতাং অসিদনি ফৌ পাম্বীদা খ্বাইদগী শোকহল্লিবসি। ৩) মনাগী মথৌ চপ চানা পাঙথোকপা ঙমদবদগী ফীভম চুম্না ফৌ পানবা, মরু চঙবনচিংবা ঙমহন্দে অমসুং মওং মরিল চুমদবা খুইরি খুইরি তৌবনচিংবা থোকহল্লি।

**লায়না শন্দোকপগী মওং ঃ** ফৌদিদা চেন্নরকই, মখা তানা নুংশিৎনা শন্দোকই। নুংশিৎনা শন্দোকপগী চাংনা ৱাংই। চরু ইকুদগীসু কোকফাই মরুশিং থাদোরক্তুনা লায়নাসি শন্দোরকই। হান্নগী চরুখোক অমসুং খোকমন্দগী শন্দোরকই।

**লায়না অসি পাক-শন্না শন্দোরকপা য়াবা ফীভমশিং ঃ** ১) পাম্বীনা লীবা হেনগৎলক্লিবমখৈ লায়না তাবগী চাংসু হেনগৎলকই। মরম অদুনা ফৌ মপাল শাবা অমসুং মপূং ফারকপা মতমদা লায়না অসিনা নাবগী চাং হেনগৎলকই। লায়নাসি অনৌবা মনাদগী অরিবা মনাদনা হেন্না তাই। ২) নাইট্রোজেনগী চাং ৱাৎলবা অমসুং হেল্লবা মতম অনীমক্তা লায়না অসি তাবগী চাং ৱাংই। নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংবা ওইরবদি ফোস্ফেটিক ফর্টিলাইজর হাপ্লগা লায়না তাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। ৩) কুংনা থাবা পাম্বীশিংনা অরনবা পাম্বীশিংদগী হেন্না লায়না অসি তাগল্লি। ৪) পোটাস ৱাৎপা মফমদা লায়নাসি শোয়দনা থেংনৈ। ব্রাউন স্পোটসি পোটাস ৱাৎপগী খুদমনি হায়বদা য়েৎনদ্রে।

**ঙাকথোক্নবা পাম্বৈশিং ঃ** ১) লৌ লোক্লবা মতুংদা হান্নগী লায়না চেল্লবা চরু ৱাইরুনচিংবা পাম্বীগী লেমখাকশিং মৈ থাদোকপা কান্নগনি। ২) ফৌদিদা হীদাক তোৎহৌগনি। মসিগীদমক Thiophanate methyl 70% WP গ্রাম মরি মরু কিলো খুদিংদা তোৎহৌগনি। ৩) লায়নাসি তারবা পাম্বীশিংদা Mancozeb 75% WP গ্রাম ৬০০ পরি অমা চাউবা লৌফমদা কাপথোক্কনি। -মথং-মথং

# লৌদা হার হাপ্পগী তঙাইফদবশিং

এস সুমঙ্গল সিংহ

***জীব*** খুদিংমক্লা চিঞ্জাক য়াওদনা হিংবা ঙমদবগুম পাম্বীশিং অসিসু মচিঞ্জাক চাদবা য়াদে। মখোয়গী মচিঞ্জাক্তি মশানা শুংজৈ। মখোয়গী মশা চাওখৎপদা, মপান শাবদা অমদি মহৈ য়ানবদা চঙদবা য়াদবা পোৎলম খুদিংমক ঈশিংদগী, নুংশিৎতগী ফাজিন্দুনা অমদি লৈবাক লৈহাওদগী মশানা চুপখৎতুনা অমদি শুংজদুনা চাজবা ঙম্মী। অসুম্না পোৎলমশিং অসি শুংবদা চঙদবা য়াদবা মচন অসি তরানিপান লৈ হায়না লৌনৈ। মখোয়শিং অসি পাম্বী মখল অমগা অমগা চাং খেন্নরবসু অমদি মচন অমগা অমগা দরকারগী চাং খেন্নরবসু অমা য়াওদবদা পাম্বীনা মপূং মরৈ ফাদুনা মপান মহৈ নিংথিনা শাৎপা/পানবা ঙমলোইদৌরিবনি। হায়রিবা মচলশিং অসি মখল অনি থোক্লা খায়দোক্লে। অহানবদা মেক্রো/মেজর ন্যুত্রেন্ট, মমিং ওইনা পল্লবদা হায়দ্রোজেন, ওক্সিজেন, কার্বোন, নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাশ, কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফর হায়রিবশিং অসিনি। মথংদা মাইক্রো ন্যুত্রেন্ট নৎত্রগা ত্রেস ইলিমেন্ট হায়না খঙনরিবা অদুনি। মখোয়শিং অসিদি য়াম্না পীকপা চাংদা চঙবা পাম্বীদা চঙদবদি য়াদবা কাঙবুনি। মখোয় অদুদি আইরন, মেঙ্গানিজ, বোরোন, মোলিবদেনম, জিঙ্ক, কোপ্পর, ক্লোরিন, কোবাল্ট অমসুং নিকেলনি। অসুম্না খাইদোকপসি নত্তবা মাইক্রো ন্যুত্রেন্টশিং অসিবু অমুকসু প্রাইমারি (নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ) অমদি ইন্টরমিদিয়েট ন্যুত্রেন্টস (সলফর, মেগনিসিয়ম অমসুং কেলসিয়ম) হায়দুনসু খাইদোকনৈ। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা কার্বোন, ওক্সিজেন অমসুং হায়দ্রোজেন হায়রিবশিং অসিনা ঈশিং অমসুং নুংশিৎতগী ফংই; নাইট্রোজেন, ফোসফরস, পোটাসিয়ম, কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফর হায়রিবশিং অসিনা অয়াম্বা মতমদা লৈবাক লৈহাওদগী লোয়ননা লৈবাক লৈহাওদগী তশেং তশেংনা ফংবশিং অদুদি আইরন, মেঙ্গানিস, রোন, জিঙ্ক, কোপ্পর, ক্লোরিন, কোবাল্ট, মোলিবদেনম অমসুং নিকেলনি।

মথক্তা থমজরিবা মচলশিং অসিগী মনুংদা লৈবাক লৈহাওদা খরা হেন্নসু ৱাৎকনবা অদুগা লোয়ননা পাম্বীদা চাংসু ৱাংনা চঙবা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাশ হায়রিবশিং অসিনি খৃৎশেমগী হার/রসায়নগী হার ওইনা ময়াম্না হার চাইবা হায়দুনা চাইনরিবসি। হৌজিক্কী মতমদদি অতৈ অতোপ্পা মচল কয়া অমসু লৈবাক লৈহাওদা ৱাৎশিল্লকপনা মরম ওইদুনা খৃৎশেমগী হার ওইনা পুথোক্লরক্লি। মখোয়শিংসু দরকারগী মতুং ইন্না পাম্বীদা ৱাৎপগী খুদম ফংলবদি মহি ওইনা নৎত্রগা মপং ওইনা লাকপা মখল কয়া অমা চাইবদা কান্নবা ফংনদ্রবনি। অদুবু ৱাৎকল্লে খঙলবা মচন খরা অদুদি ৱাৎপগী খুদম ফংদ্রিঙৈ মতমদা মাঙজৌননা চাইহৌবা হায়বসিনদি খ্বাইদগী ফৈ।

ঙসিগী ওইনদি মরু ওইনা ফৌ পাম্বীদা ময়াম্না চাইনরিবা নাইট্রোজেনগী হার-য়ুরিয়া, ফোসফরসকী হার ময়াম্না দাইমো হায়না খঙনরিবা দাই-এমোনিয়ম ফোসফেট নৎত্রগা অতোপ্পা ফোসফরস য়াওবা হার ময়াম্না সুপর হায়না খঙনরিবা শিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমসুং পোটাশ য়াওবা হার পোটাসিয়ম ক্লোরাইদ/ম্যুরেট ওফ পোটাশ হায়রিবা হার মখল অহুম অসিগী মতাংদা মতৌ করম্না, কয়া য়াম্না, করম্বা মতমদা চাইরগা হার চাইবগী খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা ফংদুনা ফৌথোক হেলহনগনি লোয়ননা হার চাইবগী অমাঙ অতা কয়া থোকপদগী ঙাকথোক্কনি হায়বদুগী মরমদা খরা নৈনজগে।

য়ুরিয়া হায়রিবা হার মখল অসি ঈশিংদা য়াম্না থুনা তুমগনবা, ঈশিংদা চুমথখিবা অমসুং চেন্থদুনা মাঙবা, লোয়ননা মনিল ওইনা পাইথোক্তুনা মাঙখিবা য়াবা হারনি। মরম অদুনা হার মখল অসি চাইবদা য়াম্না চেকশিনবীগনি। হায়রিবা হার অসিদি মচিৎ মচিৎ ওইনা তাঙ্কক অহুম-মরিরক থোক্লা ফৌগী য়াম্না দরকার লৈবা তাঙ্ককশিং য়েংদুনা চাইবীগনি। মতৌ অসুম্না হার পীবনা পাম্বীনা হেন্না কান্নবা ফংবদা নত্তনা ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিনহনবদগীসু কনবা ঙমগনি। ফোসফরসকী হার মরু ওইনা সিঙ্গল সুপরফোসফেট নৎত্রগা দাইমো অনী অসিসু ঈশিংদা তুম্বা হারনি অদুবু মসিদি লৈবাক্তা খোইদুনা তোৎশিনখিবা মতমদা লৈবাক্তা অদুমক য়াওদুনা লৈ, ঈশিংনা চুপথখিবা অমসুং চেন্থদুনা মাঙবা ঙমদে। শনপোৎ খোইবা অমসুং উকায় তকপা মতমদা লৈনাং ওইনা লৌরি পাথোক্তুনা চেন্থোকখ্রবদি খরা মখৈদি মাঙখিবা য়াই, চেকশিনবীগনি। অদুবু অনীসিগী মরক্তা অমতম্মক শীজিন্নসি। দাইমন্দদি লৈবাক শিলহনবা হার মখল ওইবনা মণিপুরগী হান্ননা শিন্দুনা লৈরবা লৈবাক্তদি মসিগী মহুত্তা সুপর শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। সুপর লৈবাক লৈহাও শিনবা হেনগৎহন্দে অহোইনদুম শিনবা হন্থনবা মখলনি। মরমদি মঙোন্দা শুনুগী শরুক কেলসিয়ম হায়রিবা মচল অসি চাদা ২০ ফাওবা য়াওই। অসিদসু নত্তনা সলফর হায়রিবা মচল অসিসু চাদা ১২ ফাওবা য়াওই। পোটাশ হায়রিবা হার অসিদি লৈঙোইনা নম্বা লৈবাক লৈহাওদদি ঈশিংনা চুমথখিবা ঙম্বা মরম্না তাঙ্কক অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক থোক্লা চাইবীগনি। লৈতান লমদদি তাঙ্কক অনী থোক্লা চাইরবসু য়াই।

অয়াম্বা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইদা হার হাপ্পগী হৈনবী কয়া উদে। মসিগী মরমদি মাঙজৌননা হার হাপ্পা মতমদা ঈশিংদা অরেম্বদা হার মাঙখিগনি হায়বগী অকিবা লৈবদগী অয়াম্বা ওইনা তৌই। মথক্তা থমজরিবা ৱাফম অসি মুন্না খঙলবদি অকিবা অদু লৈররোই খল্লি। য়ুরিয়া ঈশিংদা মাঙনবা ওইবনা তাঙ্কক কয়া থোক্লা চাইসি হায়জবনি। অসুম তৌরবদি হার মাঙবগী চাংসু য়াম্না হন্থরগনি। খঙজিনবা য়াবা অমনা য়ুরিয়া লৈবাক লৈহাও শিলহনবা হার মখলনি অদুবু চাইদবদি য়াদে। মরম অদুনা য়ুরিয়া কিলো ১০০ চাইবা খুদিংগী শুনু কিলো ৭৪ চাইরবদি শিলহনবদগী কনবা ঙমগনি হায়বা ৱাফম অসিসু থমজরি।

পূম্নমকশিং অসি খঙবগা লোয়ননা লৌদা হার চাইবগী চাং, মতম অমসুং চাইবগী মওং খরা খঙজিনমিন্নরসি।

লৌফম লৌফমগী ওইনা শোয়দনা খেন্নবা লৈগনি। মরমদি লৌপু লৌপুশিংনা থারিবা পাম্বীশিং, থাবগী মওং, চাইনরিবা হারগী চাং, চাইবগী মতম, লৌফমগী ফীভম শোয়দনা খেন্নবা ঙাক্তনি। খেন্নবশিং অসি লৈবনা লৌফম অমগা অমগা লৈহাও লৈবা খেন্নবা তাবনি। মরম অদুননি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী মথৌ তারক্লিবসি। লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌরগা চংগদবা হারগী চাং খঙদোক্তুনা চাইরবদি হেনজিন্না চাইদুনা অরেম্বদা অহেনবা শেল তিংবসু লৈররোই, পোথোকসু হেন্না ফংদুনা শেন্দোং হেন্না ফংবসু ঙল্লনি। ৱাৎনা চাইবগী খুদোংথিবসু নংলরোই। অদুবু লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী খুদোংচাদবা অমদি থেংনরি। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা রিছার্স সেন্তরশিংদগী ফোঙলকপা চেশিংগী মতুং ইন্না মখাগী অসুম্না থম্বা য়াই।

হারগী চাং ঃ লৌ শঙম অমদা য়ুরিয়া কিলো ৩৫-৪০, দাইমো ওইরগনা কিলো ২৫-৩০, সুপর ওইরগনা কিলো ৬৫-৭০, পোটাশ (ম্যুরেট ওফ পোটাশ) কিলো ১৮-২০ চঙগনি। অৱাংবা শরুক ওইনা ইরিবসি লৈহাও খরা লৈতবা লৌফমগী ওইনা অমসুং হায়ব্রিদ ফৌগী ওইনা লৌসি। অনেম্বসিনা লৈহাও খরা হেন্না লৈবা লৌফমশিংগী ওইনা অমদি ঐচ ৱাই ভিশিংগী ওইনা লৌবসু য়াই। চপ চাবা অকক্লবা মওংদা চাইনবগী খুদোংচাবা খরা ৱাৎলি। য়ুরিয়া চাইবদা খরা হেন্না চেকশিনবগা লোয়ননা পাম্বীগী শাহৌ য়েংলগা মচিৎ-মচিৎ চাইবগী খুদোংচাবা লৌবা য়াই। হার চাইবগী মওং মখাদা থমজরি। পোটাশ অসি লৌউ লোইশঙ মণিপুরগী মতুং ইন্না শঙমদা কিলো ১২.৫ খক্তমক ওইবনি অদুবু হৌজিক্তি মসি খরা ৱাৎনা থোক্লে হায়নবা লৈ মরম অদুননি খরা ৱাংনা থমজবসি।

অহানবা চাইবা ঃ লৌ হুল্লমদাই নৎত্রগা লিংলমদাইগী অরোইবা খোইবদা য়ুরিয়া তঙ্খাই অমা, ফোসফরসকী হার চঙগদবদু পূন্না অমদি পোটাশকী তঙ্খাই অমা হাপ্তুনা লৈবাক্তা তোৎশিনখিনবা হোৎনগনি।

অনিশুবা চাইবা ঃ ফৌনা মচা কন্না পোকখৎলকপা মতমদা নাপী শেংনা পেংথোক্লবা মতুং নৎত্রগা নাপী হীদাক শীজিন্নদুনা নাপী হৌদ্রবা মতুংদা, লেমহৌরিবা য়ুরিয়াগী তঙ্খাই অদুমক চাইবীগনি।

অরোইবা চনবা ঃ ফৌ ফৌগী মপুন্সি শাংবা খেন্নবগী মতুং ইন্না মশা তাশিল্লকপগী মতমসু খেন্নৈ। অয়াম্বা ফৌশিংগীদমক লিংলবা মতুং নুমিৎ ৫০ দগী ৭০ ফাওবগী মনুংদা ওইগল্লি। মরম অদুনা নুমিৎ মশিংদা হায়দ্রবসু মশা তাশিল্লকপগী মওং নিংথিনা খঙলবদি করম্বা মতমদা অরোইবা হার চাইগনি হায়বসি খঙবা ঙমগনি। অতেনবা ফৌগীনা নুমিৎ ৫০-৫৫ নিগী মনুংদা চাইগনি। খরা শাংবা ফৌগীনা নুমিৎ ৬৫-৭০ নি শুরকপা শ্বাইদা চাইগনি। হারগী চাংদি লেমহৌরিবা য়ুরিয়া অমদি পোটাশশিং অদু পূন্না চাইথোকপীগনি। খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা ফোসফরসকী হার খোইবদা হাপহৌদবা তারবদি লৌ লিংলবা নৎত্রগা হুল্লবা মতুংদা চাইবদা কান্নবা ৱাৎলি, অহোৎনদুম মাঙজবনা হেনবসু য়াওদবা নত্তে। তঙাইফদনা চাইদবা য়াদে হায়রগদি সুপরগী মহুত্তা দাইমো চাইবনা ফরে। শঙম অমদা কিলো ২৫ মক ফৌ লিংলবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা চাইবীগনি। সুপর চাইগে হায়রগদি অমুক্তদা কিলো ৫০-৬০ চাইবা য়াদে পাম্বী শোইদনা চাকথেক্কনি। খরা থুনা নোং চুদবা, লিক্লা চোত্তবা মতম য়েংলগা শঙমদা কিলো কুন্দগী হেন্না চাইগনুসি। হাপ্তা অমা লৈরগা কিলো ২০ অমা অদুগা অতোপ্পা হাপ্তা অমগী মতুংদা কিলো ১০-১৫ অমুক চাইসি। হায়রিবা অসি ফৌ লিংলবা নৎত্রগা হুল্লবা মতুং নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি। অসুম তৌরবদি হার চাইবগী কান্নবা ফংগনি হায়জনীংই।